# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MARCH 18, 2020 **PAGE 7**




*সুট্টিং ওলেম্পিক ট্রাইয়েলগী নুপাগী স্কীট ইভেন্টতা পোইন্ট ১২১ স্কোর তৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখ্রবা অনগাদ ভির সিংহ বাজৱা*



*ওলেম্পিক সুট্টিং ট্রাইয়েলগী নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা মকোক ওইবা ঙমখ্রবা অরপিট গোয়ল*

## ওলেম্পিকক্কী শেম শাবা নত্তনা অতোপ্পা নেসনেল কেম্পশিং য়ৈথোক্লে : রিজিজু



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনোভাইরস লায়চৎকী য়েংলগা ওলেম্পিকক্কী শেম শাবা থৌরাংশিং নত্তনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা নেসনেল কেম্পশিং য়ৈথোক্লে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে। অদুবু নেসনেল ইভেন্টশিংগী ওইনদি মীয়াম য়েংহন্দনা পাঙথোকপদা অথিংবা অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না শেংদোকখ্রে।

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা মালেমগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা নেসনেল কেম্পশিং পাঙথোকপদা খুদোং থিনিং ঙাই ওইরি। অদুবু তঙাইফদনা ওলেম্পিক গেমসকী শেম শাবদদি অথিংবা অসি লৈতে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। ওলেম্পিক গেমস অসি চহী অসিগী জুলাই অমসুং ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনেল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স অমসুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরশিংদা চত্থরিবা একাদেমীক ত্রেনিং পূম্নমক্তা অথিংবা থল্লে। কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়ানসু নেসনেল কেম্প পুন্নমক য়ৈথোক্লগা টোকিও ওলেম্পিকক্কীদমক শেম শারিবা এঠলেটশিংগী ওইনদি অথিংবা অসি কোমথোকখিবনি।

রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ৈথোক্লিবা নেসনেল কেম্পশিং অসি কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিগী ফিভম য়েংলগা অথুবদা মতম লেপকনি। খোঙথাং অসি শান্নরোইশিংগী মশা মউ ফনা লৈনবা লৌখৎখিবনি হায়না রিজিজুনা মখা তাখি।

মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা টোকিও ওলেম্পিকক্স ক্কালিফায়রশিংদা য়াওগদবা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংনা অদুমক ত্রেনিং অমসুং শরুক য়াবা য়াগনি হায়খি।

পনবা য়াই, কোরোনোভাইরসকী লায়চৎ লৈরবসু এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি সেরিজ মীয়াম য়াওহন্দনা থা অসিগী ২০ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নেসনেল স্পোর্টস বোদিশিং মরু ওইনা বি সি সি আই, বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনশিংগী ওফিস থিংজিন্দুনা য়ূম–য়ূমদগী ওফিসকী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবা মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ইনিদয়ানা মীওই ৩ শিখ্রে অদুগা মীওই ১০০ গী মথক্তা নাদুনা লৈরি।

## টোকিও ওলেম্পিক গেমস মীয়াম য়েংহন্দনা পাঙথোক্লোই : আই ও সি

*লোজেন, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস মীয়াম য়েংন্দনা পাঙথোক্লোই হায়না মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী চেনেল অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না আই ও সিনা গেমস অসি অহাংবা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা পামদে। মীয়াম য়াওদনা গেমস অসি পাঙথোকপা হায়বসি ওলেম্পিক্কী তঙাইফদ্রবা প্রিন্সিপল অদুগী মায়োক্তা চৎকনি হায়না পল্লি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি কো–ওর্দিসেন কম্মিসনগী মকোক জোন কোটসনা ফোঙদোকখিবদা গেমস অসি য়ৈথোকপগী চপ চাবা মতম মে থাদা পীবগী ৱাফম লৈতে। কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মালেমগী স্পোর্টস টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা য়াদনা লৈরবসু টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ হায়না জোন কোটসনা মখা তাখি।

করিগুম্বা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চহী ৪ / ৪ লৈরগা পাঙথোকপা ইভেন্ট অসি অহাংবা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লোই হায়বগী অশেংবা ৱাফম থল্লক্লবদি মসি ঐখোয়না মায়োক্তা চৎকনি। ওলেম্পিকক্স হায়বসি সেরিজ ওফ কম্পিটিসননি। মসিনা মীয়াম পূল্লগা স্পোর্টসতা শরুক য়ামিন্নবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। অতোপ্পা পাউগী লিখুন অমদা ইভেন্ট অমা পাঙথোকপদা মীয়াম য়েংহন্দবা হায়বসি উপায় অমত্তা নত্তে হায়রি।

কোরোনাভাইরসকী লায়চৎনা য়াম্না হেঞ্জিল্লত্তুনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্তবা তারগনি ওর্গনাইজরশিংনা টিকেট য়োনবগী থবক্তা য়ু এস বিলিয়ন ১ মাঙগনি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমদা আই ও সিনা ক্কালিফিকেসন ষ্টেন্দর্দগী কোমথোক্লগা গেমস অসিদা এঠলেট হেন্না শরুক য়াহনবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লি। অদুবু ওইদুনসু ক্কালিফিয়িং ইভেন্ট খরদি মখা তানা চত্থরি অদুবু ক্লাইম্বীং, বোক্সিং, ফেন্সিং অমসুং জুদো মশান্নদি য়ৈথোকখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## ২০২০ য়ুরো ২০২১ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে

*ওসলো, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

চৎলিবা চহী অসিগী জুন ১২ দগী জুলাই ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা য়ুরো ২০২০ কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১ ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না নোরৱেগী ফুটবোল এসোসিয়েসন্না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনোভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিং পূম্নমক মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রবনি। লায়চৎ অসিনা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা নত্তনা মালেমগী মফম অয়াম্বদসু অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা লৈরি।

লায়চৎ অসিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ নোরৱেনা শান্নরোইশিংগী হকচাং শোক্তনবা টুর্নামেন্ট অসি তঙাইফদনা য়ৈথোকখিবনি। ইটালিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন প্রসিদেন্ট গাব্রিয়েলি গ্রাভিনা অমসুং মহাক্কী স্পেনিস কাউন্টরপার্ট জেভিয়র টেবাসনা য়ু ই এফ এদা মখোয়গী সেরি এ অমসুং লা লীগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং মপুং ফানা লোইশিনবা ঙম্নবা মতম খরা শাংদোকপীদবা ইঙ্গিৎ পীখিবনি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা শান্নরম্বা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংসু মতম খরগী য়ৈথোক্তুনা থমখ্রবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসি কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং লীগ টুর্নামেন্টশিং অসি মখা চত্থনবগী পান্দমসু থল্লি। কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসি মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রিফাওবদি লীগ টুর্নামেন্টশিং অসি মখা তানা পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

## টি–২০ ৱাল্ড কপ সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পাঙথোক্কনি : আই সি সি

*দুবাই, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮ দগী নবেম্বর ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ হান্না লেপখিবা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পাঙথোক্কনি হায়না ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী লৈবাক কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রে। অদুবু লায়চৎ অসি লৈরগসু টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসি হান্না লেপখিবা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পাঙথোক্কনি হায়না আই সি সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ২০২০ লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা য়াম্না নকশিন্ননা থবক তৌমিন্নরি। মরম অসিনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা য়াবগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) অমসুং ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকা (সি এস এ) না লৈবাক অনীনা শান্নগদবা মেটচ অহুমগী ৱান দে সেরিজ অদু য়ৈথোকখিবনি। লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা বি সি সি আইনা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগসু এপ্রিল ১৫ ফাওবা য়ৈথোকপা লৈখ্রবনি। লোয়ননা সি এস এনসু লায়চৎ অসি হন্থরক্লবা ক্রিকেটকী ফোরমেট পূম্নমক সস্পেন্দ তৌখ্রবনি।

## ইন্দিয়াগী মাইনর এঠলেট মরি নাদাগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্লে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

ট্রেক্ক এন্দ ফিল্ডগী এঠলেট অনী য়াওনা ইন্দিয়াগী মাইনর এঠলেট ৪ নাদানা পাঙথোকপা দোপ টেষ্টতা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বদগী প্রোভিজনেল সস্পেন্দসন থমখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

নাদাগী টেষ্ট অসি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা অন্ধ্র প্রদেশকী সিটি টিরুপতিদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা মিলো নেসনেল ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট জুনিয়র এঠলেটক্স মিটতা শরুক য়াখিবা এঠলেটশিংদা তৌখিবনি। টেষ্ট তৌখিবশিং অদুদা নহা ওইরিবা এঠলেট ২ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি হায়রি।

দোপ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখ্রবা মাইনর এঠলেট অনীমক নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) না চহী অসিগী জনুৱারি ২১ দগী মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখিবনি হায়না এজেন্সি অসিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখিবনি।

দোপ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখ্রবা মাইনর অনী অদুদি অমনা বোক্সরনি অদুগা অতোপ্পা অমনা ভোল্লিবোল শান্নরোইনি।

বোক্সর অদুনা মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৫৬শুবা নেসনেল স্কুল গেমস (বোক্সিং য়ু–১৪) চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুরবা মতুং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখিবনি। বোক্সর অদু ফেব্রুৱারি ৬ তগী প্রোভিজনেল সস্পেন্দস থমখি। ভোল্লিবোল শান্নরোই অদুসু ৫৬শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুরবা মতুং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বনি হায়রি। মহাক্না জনুৱারি ৩১ দগী মতম খরগী অথিংবা থমখিবনি।

এসিয়ান জুনিয়র হাম্মর থ্রো চেম্পিয়ন আসিস জাখারসু টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইদুনা প্রোভিজনেল সস্পেন্দসন্দা থমখি। মহাক মমাঙ চহগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা সার্ভিসেস এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা পোজিটিভ ওইরম্বনি।

## *ওলেম্পিক সুট্টিং ট্রাইয়েলস ঃ* পৃথবীরাজ তোন্দাইমাননা নুপাগী ত্রেপতা মকোক ওইখ্রে, চেনাইনা অনীশুবা তাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা চত্থরিবা ওলেম্পিক সুট্টিং ট্রাইয়েলদা পৃথবীরাজ তোন্দাইমাননা নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টতা মকোক ওইখ্রে, কিনান চেনাইনা অনীশুবা তাখ্রে।

ওলেম্পিক সুট্টিং ট্রাইয়েলস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টতা পৃথবীরাজ তোন্দাইমাননা সোট ১২৫ গী মনুংদা সোট ১২০ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখিবনি। ইভেন্ট অসিদা ফাইনেল রাউন্দ লৈতে মরম অদুনা ক্কালিফিকেসন্দা ফংবা স্কোর অদুনা ফাইনেল পোইন্ট ওইখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ওলেম্পিয়ান কিনান চেনাইনা সোট ১২৫ গী মনুংদা পোটন্ট ১১৮ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা মানাভঅদিত্য সিংহ রাথোরনা পোইন্ট ১১৭ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।



ওলেম্পিক ট্রাইয়েলস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অরপ্রিত গোয়েলনা পোইন্ট ৫৮৬ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা ভিজয়বির সিধুনা পোইন্ট ৫৮৫ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ৫৮৩ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী স্কীট ইভেন্টতা অনগাদ ভির সিংহ বাজৱানা পোইন্ট ১২১ স্কোর তৌদুনা মকোক ওইখি। ইভেন্ট অসিদা গুরজোট সিংহনা পোইন্ট ১১৬ তা অনীশুবা পোজিসন তারগা অমরিন্দর সিংহ সিমানা গুরজোট সিংহগা পোইন্ট মান্নখ্রবসু ষ্টেজ খরদা শোত্থহৌবদগী অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি।

ওলেম্পিক সুট্টিং ট্রাইয়েলস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টতা শ্রেয়াসি সিংহনা পোইন্ট ১১২ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা রাজেশ্বরী কুমারীনা পোইন্ট ১০৮ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তারগা সিমা টোমরনা পোইন্ট ১০৪ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি।

নুপীগী স্কীট ইভেন্টতা দরসনা রাথোরনা পোইন্ট ১১৭ স্কোর তৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। অরিবা খাননা পোইন্ট ১১৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন অদুগা গানেমট সেখোননা পোইন্ট ১১০ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী ত্রেপ সুট্টর অমত্তা হৌজিক ফাওবা টোকিও ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমদ্রি। নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদসু ইন্দিয়াগী সুট্টর অমত্তা ওলেম্পিক ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমদ্রিবনি। ইনিদয়াগী স্কীট সুট্টর অনগাদ ভির সিংহ বাজৱা অমসুং মাইরাজ অহমদ খান খক্তমক টোকিও ওলেম্পিকক্কী কোটা ফংবা ঙল্লি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী স্কীট সুট্টর অনগাদ ভির সিংহ বাজৱা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা টোকিও ওলেম্পিকক্কী কোটা ফংবা ঙমখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইনিদয়াগী অতোপ্পা স্কীট সুট্টর মাইরাজ অহমদ খাননা সিলভর মেডল ফংবা ঙমদুনা মহাকসু টোকিও ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমখি।

## ফিফানা এৱারনেস কেম্পেন হৌদোকখ্রে

*লোজেন, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস লায়চৎতগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি ফিফানা এৱারনেস কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়া মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রবনি। লায়চৎ অসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা ফিফানা শীন্দুনা এৱারনেস কেম্পেন অসি হৌদোকপনি হায়না ফিফা চীফ ওফ গ্লোবেল ফুটবোল দিভলপমেন্ট অরসেন ৱেনগরনা ফোঙদোকখি।

কেম্পেন অসিদা গেম প্লান ষ্টেপ ৫ য়াওরি। কোচশিংনা ভাইরস অসিবু মায়থিবা পীনবা খূৎ, খূৎনিং, মায়, লাপথোক্লা লৈবা অমসুং ফিল তৌবা হায়বশিং অসি ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন লাওথোকখ্রবা তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা প্রোটেক্টিভ মিজরশিং ওইহন্দুনা কোভিদ–১৯ থেংননবা পান্দম থল্লিবনি।

ক্রোসৱার্দ ৪৬০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | I | A | R | S | | W | O | R | E | | A | D | A | M |
| I | D | I | O | T | | A | W | E | D | | P | A | P | A |
| S | E | N | O | R | | D | E | D | I | C | A | T | E | D |
| T | A | T | T | E | R | E | D | | T | I | R | A | D | E |
| | | | S | E | E | | | C | O | A | T | | | |
| S | A | C | | T | E | R | R | O | R | | M | O | B | S |
| C | R | A | M | | L | E | E | R | S | | E | M | I | T |
| R | I | T | A | | | P | A | N | | | N | A | S | A |
| U | S | E | R | | B | O | R | E | R | | T | H | O | R |
| B | E | R | G | | E | S | S | A | Y | S | | A | N | T |
| | | | A | N | N | E | | | E | N | S | | | |
| D | E | C | R | E | E | | R | E | S | O | N | A | N | T |
| A | L | L | I | G | A | T | O | R | | R | O | M | E | O |
| B | L | O | T | | T | H | A | I | | T | R | E | E | S |
| S | A | G | A | | H | E | R | E | | S | E | N | D | S |

## *কোভিদ–১৯:* জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা টর্কিদগী কৌথোকখ্রে, ঙসি য়ৌরক্লগনি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

টর্কিদা ত্রেনিং শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ষ্টার জেবলিন থ্রোৱর কোরোনাভাইরস লায়চৎনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা লৈবাক অসিদগী কৌথোকখ্রে, মহাক হয়েং ইন্দিয়াদা থুংলগরনি হায়রি।

এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট আদিল্লে সুমারিৱাল্লানা ফোঙদোরকপদগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী জেবলিন থ্রোৱর এঠলেট নিরজ চোপ্রাবু লায়চৎ অসিদগী লাপথোক্লবা মহাকসু টর্কিদগী কৌথোক্লবা লেপখিবনি। ট্রেনিং অসিদা শরুক য়াননবা সাউথ অফ্রিকাগী কন্টিজেন্টসু থাংজ নুমিৎতা য়ৌরক্কদবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী য়াথং মতুংইন্না য়ু এ ই, কাটার, ওমান অমসুং কুৱেটতগী লাকপা পেসেঞ্জরশিংনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪ নি ক্কারেন্টাইন তৌগদবনি হায়রি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন, য়ুরোপিয়ান ফ্রি ট্রেন্দ এসোসিয়েসন, টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমদগী লাকপা পেসেঞ্জর মার্চ ১৮ দগী লৈঙাক অসিনা অথিংবসু থমখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী নিজর চোপ্রা অমসুং রোহিট যাদব টর্কিদা জর্মনগী বাইওমেকানিক্স এক্সপার্ট ক্লাউস বারটোনিটজ অমসুং ফিজিও ইসান মারৱাহাসু ত্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবনি। কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মখোয় অনী কৌথোকখিবনি হায়রি।

২০২০ টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা অমসুং সিভপাল সিংহ ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রবনি।


**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 140/SDC/P of 2020*

Laishram Bimola Devi W/o (L) L. Nilamani Singh of Top Khongnang Makhong
**- Petitioners**

**-Verses-**

L. Nilamani Singh S/o (L) L. Manikchand Singh of Top Khongnang Makhong
**- Opposite Party**

**N O T I C E**

*Porompat,The 17/03/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. ........ (অরিবা) 230/390 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 484/532 an area 0.66 acre of Phourel লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East

*SL/B(L)/18*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 80/SDC/B/IE of 2020*

1. Laishram Jayanti Devi D/o (L) L. Iboton Singh of Kongba Makha Nandeibam Leikai
2. L. Inakhunbi Devi D/o (L) -do- of -do-
3. L. Memcha Devi D/o (L) -do- of -do-
4. L. Angou Singh S/o (L) -do- of -do-
5. Laishram (N) Irom (O) Ibecha Leima D/o (L) -do- of -do-

**- Petitioners**

**-Verses-**

Laishram Iboton Singh S/o (L) Kamol Singh Uchekon Laikhuram Pandit Leikai
**- Pattadar**

**N O T I C E**

*Bashikhong, The 16th March 2020*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং ৩৭- নান্দৈবম লৈকাই পাট্টা নং ৩০৯ / ৬৬৮ অনৌবা দাগ নং ১৮৭ / ৩৬৫ মোট এরিয়া ০.২৪ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার লাইশ্রম ইবোতোন সিংহ পীং মৃঃ কামোল সিংহ সাং উচেকোন লাইখুরাম পন্দিত লৈকাই দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,Bashikhong**
Imphal East

**SL/B(R)/18**



**OFFICE OF THE**
**KAKCHING KHUNOU MUNICIPAL COUNCIL**
**KAKCHING KHUNOU, MANIPUR - 795101**
-------

**N O T I FICATION**

Sugnu, the 16th March, 2020

No. 5/1/2018-KKMC (HFA) : With reference to this office Notification No. 5/1/2018-KKMC dated 7th March, 2020 inviting claim and objection to the preliminary list of the beneficiaries after the demand survey conducted on 7th March, 2020 for providing financial assistance for the construction of individual houses under the sub-head "subsidy for Beneficiary led individual house Construction of Pradhan Mantri Awas Yojana-Housing for All (Urban)", however neither claims nor new form received from the date of publication till the last date.

Therefore, the Kakching Khunou Municipal Council has finalised and approved the final list of **1054** beneficiaries for BLC under PMAY (U)-HFA as per the list enclosed herewith.

Sd/-
**(HELEM PAMEI)**
Executive Officer
Kakching Khunou Municipal Council

*SL/5965/(1)18*



OFFICE OF THE
**SUGNU MUNICIPAL COUNCIL**
**SUGNU, MANIPUR - 795101**
-------

**N O T I FICATION**

Sugnu, the 16th March, 2020

No. 2/3/2018-SMC (HFA) : With reference to this office Notification No. 2/3/2018-SMC dated 7th March, 2020 inviting claim and objection to the preliminary list of the beneficiaries after the demand survey conducted on 7th March, 2020 for providing financial assistance for the construction of individual houses under the sub-head "subsidy for Beneficiary led individual house Construction of Pradhan Mantri Awas Yojana-Housing for All (Urban)", however neither claims nor new form received from the date of publication till the last date.

Therefore, the Sugnu Municipal Council has finalised and approved the final list of **385** beneficiaries for BLC under PMAY (U)-HFA as per the list enclosed herewith.

Sd/-
**(HELEM PAMEI)**
Executive Officer
Sugnu Municipal Council

*SL/5965/(2)18*